# ঐনা হান্না শান্নজরকপদি কবাদ্দিনি অদুবু আর্চরিগী প্লেয়র ময়াম ট্রেনিং তৌবা উজরুবদগী মশান্নসিদা অমুক ওনশিল্লকখিবনি



থৌনাওজম ইশেম্বী চনু
*(আর্চরি প্লেয়র)*

মণিপুরগী নুপী আর্চরশিংগী মনুংদা থৌনাওজম ইশেম্বী চনুসু থোইদোক্লা মমিং পনবা য়াবা শান্নরোয় অমনি। অহানবা ওইনা কবাদ্দি মশান্নদা থৱায় তানা শান্নজরক্লবসু কোন্নথংদদি আর্চরি মশান্না উরুবদগী গেম অসিদা খোঙ থাংজিল্লকখি।

কুমজা ১৯৮৫গী জনুৱারি থাদা লাংমৈদোং মনিং লৈকাইদা লৈবা থৌনাওজম বাবুয়াইমা অমদি থৌনাওজম ওংবী কৈন্যতোম্বীগী মচানুপী অহল ওইনা (মচানুপী মরি নুপা অমা) ইশেম্বী চনু তাইবঙদা খোঙদারকখি। শান্ন-খোৎনবা পামজরকপা ওইবনা লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস সেভেন/আইট তম্বা মতম স্বাইদা কবাদ্দি শান্নবা হৌরকখি। করম্না আর্চরি শান্নবা হৌরকখিবগে হায়বগী মতাংদা ইশেম্বী চনুনা অসুম্না পাউদম্বীরকখি, ঐহাক্না ইহান হান্না শান্নজবসিদি কবাদ্দি অসিনি। কুমজা ২০০১ দগীনা কুমজা ২০০৩ ফাওবসি ঐহাক কবাদ্দি শান্নজরকখি। ঐনা আর্চরিদা মায় ওনশিঞ্জরকখিবসিদি মেত্রিক থারবা মতুং টুয়েল্ব তম্বা মতমসিদগীনি। নোংমা ঐগী ইনাওনুপী ভানুগা ঐখোয় লৈকাইদা লৈমীন্নবী ঙাংবীতোনগা আর্চরি শান্ননবগীদমক ইম্ফালদা লৈরুরগনি হায়দুনা তৌরকখি। মখোয় অনী শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবা অশানবা য়ুম অমদা লৈরগা শান্নদোইনি, য়ুমদুসু য়েংলুসি, আর্চরিগী শান্নফমদুসু কয়াম লাপ্প গদোইনো হায়বা খঙলুসি হায়দুনা কুমজা ২০০৫সিদা লাকখি। মতমদুদা বামোন লৈকাইদা লৈবা আর্চরি কোচ ওজা এ সোনাচান্দনা হাপ্তা কাংজৈবুংদা শান্নরোয় ময়াম ট্রেনিং পীদুনা লৈরমখি। আর্চরি শান্নরোয় নুপামচা, নুপীমচা ময়াম অমা ট্রেনিং তৌরম্বদু উবদা ঐসু য়াম্না শান্ননিংবা অমা ইশাসিদা খঙফাও ফাওরকখি। য়ুমদা হল্লক্লবা মতুংদা ঐসু আর্চরি শান্ননিংই মখোয়গা পুন্না লৈরগা শান্নরুগে হায়দুনা ইমা অমদি বাবাদা কন্না তক্লবা হৌরকখি। মতমদুদা ইমুংগী ফিভমদি থোইনা ফবা নত্তে। ইমা অমদি বাবানা অফং অফংবা থবক শুরগা মচা ঐখোয়বু থাকপনি। অকক্লবা শেন্থোক লম্বী অমা লৈবা নত্তে। নোংমগী পাৎতা কুল্লুরগা য়েল্লাং কেঙোই হেক্তুনা ঙা ফাদুনা ঐখোয়বু য়োকপীরকপনি। অদুনা ইম্ফালদা ঐখোয় অনীনা লৈরগা শান্নগে হায়বদু কন্না য়াখিদে। অদুবু ঐনা কন্না তকমনবদগী ফরে ফরে নখোয় অহুম লৈমীন্নরুরো হায়দুনা মমৈদা ইমানা থিনবীরকখি। অসুম্না ঐহাক আর্চরি শান্নবা হৌজরকখি। অহানবা ওইনা ঐবু তাকপী তম্বীরকখিবদি ওজা এ সোনাচান্দ শর্ম্মানি। ওজা অসিনা ঐগী অহানবা আর্চরিগী মায়কৈ তাকপীরকখিবা ওজানি। শিংজমৈগী অশানবা য়ুমদুদা ঐখোয় অহুম পুন্না লৈমীন্নরগা শান্নবা হৌজরকখি। শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা ঐখোয় অহুম চহী অমরোমদা লৈজরকখি। অদুদগী কুমজা ২০০৬কী চহী লোইরমদাইদা ন্যু চেক্কোন্দা অমুক হোংলকখি। চেক্কোন্দা লৈরগা শান্নজবা অদুনা ঐখোয়দা খীত্তং খুদোংচাবসু হেল্লকখি। চখোক-চৎশিনগী প্রোব্লেমসু খরা ফরকখি।


ঐনা অহানবা পায়দুনা শান্নজরকপসি ইন্দিয়ন রাউন্দদনি। ৱাগী বেম্বুদগীনি হৌজরকখিবসি। শুপ্পগী লুপা লিশিং অনী নত্রগা লুপা লিশিং অমগা চামঙা পীবা ৱাগী টেন্দু ফাওবা য়াম্না ৱানা লৈরগা কাপচরকখি। থাগী ওইনা অশানবা য়ুমগী অরৈমন, ঐখোয়গী চান-থক্লবা হুনবদা ইমা বাবাদদি তশেংনা অৱাবা হায়বদু ওইখি। অদুনা ঐখোয়সু শান্নবসিদা মী অমদি ওইদবা য়াদে খঞ্জরগা কন্না হোৎনজরকখি। ঐগী ওইনা অহানবা মণিপুরগী মপান্দা চৎতুনা কাপচরকখিবসি কুমজা ২০০৫দা কলকতাদা তৌখিবা স্কুল গেমস অদুদনি। অহানবা শান্নবা চৎচবদা, মেদলসু লৌবা ঙমজরকখি।

কুমজা ২০০৬তগীদি ঐহাক সাই সেন্তরদা লৈদুনা শান্নবা ফঙজরকখি। সেন্টর অসিদা হেক চঙলকখিবদগীদি সাইগী কোচ মেদাম বি গ্রনিচানা ঐহাকপু অকনবা ট্রেনিং পীবিদুনা তাকপী তম্বীরকখি। কুমজা ২০০৬তা সিক্কিমদা তৌখিবা নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ্পসু শরুক য়াবা ঙম্লকপগা লোয়ননা টিমদা মেদলসু লৌরকখি। ইনি দভিজুয়েলদদি মেদল লৌজবা ঙমজরকখিদে। খুৎশু-খুৎলায়গী মতাংসিদদি খরসু নিংবা থুংদনা হৌরকখি। লাইরবা ইমুংদগী হৌজরকপা ওইবনা মতম শাংনা অফবা খুৎলায় পায়দুনা শান্নজবা ফঙজরকখিদে। ময়াম্না অহোংবা টেননি হায়না খন্নবা লুপা লিশিং অনী পীবা টেন্দু ফাওবা ঐদি য়াম্না চেকশিন্না শেন্নদুনা কাপচরকখি। অতেক-অকায় থোকপা মতমদা কনাদা লৈবীয়ু হায়গদবনো খনবদা থৱায়সু য়াম্না ৱারকখি। মীমান্নবা ঙম্ননবা কন্না হোৎনজরকখি।

অমরোমদা, ঐগী ইনাওনুপী ভানু অমদি ঙাংবীতোনদি সুপ্পতংগী নেসনলদা অহুম/মরিরক্পুম্বা শান্নরম্লগা আর্চরিদগী অদুম পোথাহৌরে। নেসনলদা মখোয়সু মেদলগদি লৌরম্বনি। অদুবু মখোয়গী মতুং ইন্দুনা শান্নজরকখিবা ঐনা মতম শাংনা ইন্টরনেসনল থাক ফাওবা য়ৌজদুনা হৌজিকফাওবা শান্নজরি। মীওইবা হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে হায়বদু ঐদি চুম্বজাৎনি খল্লি। ঐসু ইনাওনুপীগী মতুং ইন্নদুনা লাক্লমদ্রবা, আর্চরি শান্নবা মতাং চানা উরমদ্রবদি করি ওইরমগদগে খঙদে। অদুবু আর্চরি শান্নৌ হায়না তল্লম্বনা পুম্নমকশিংদু উহনবীরকপনি খঞ্জে। ... মথং মথং...

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**আর্চরিদা মীৎয়েং অমা**





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কম্মনৱেলথ গেমস ফেদরেসনগা উনবদা ইন্দিয়ানা ২০২২দা শুটিং য়াওহনবগী এজেন্দানা মকোক ওইরি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী):

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি বিরমিংঘমদা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা শুটিং দিসিপ্লিন লৌথোরকপগী মতাং অদুগী ৱাফম্না কম্মনৱেলথ গেমস ফেদরেসনগী মীফমদা ইন্দিয়ানা পুথোক্কদবা নম্বর ১ এজেন্দা ওইরি।

ইন্দিয়ানা ২০২২ কম্মনৱেলথ গেমস অদু শুটিং দিসিপ্লিন য়াওহন্দ্রবদি বোইকোট তৌগনি হায়না খোঙথাং লৌখৎপা হৌখ্রবনি। ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শুটিং দিসিপ্লিন অসি কম্মনৱেলথ গেমসতা য়াওহনবা য়ানবনগী পান্দমদা হয়েং ন্যু দিল্লিদা কম্মনৱেলথ গেমস ফেদরেসনগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা উনগদৌরিবা অদুদা খন্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা নরিন্দর বত্রা, সেক্রেটরী জেনরেল রজিব মেহতা অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু য়াওরি। অমরোমদা সি জি এফকী মায়কৈদগীনা প্রাসিদেন্ট লুই মার্তিন অমসুং সি ই ও দেবিদ গ্রিভেমবর্গ য়াওরি।

শুটিং দিসিপ্লিন অসি য়ুম্বু ইংলেন্দনা মখোয়গী ওইবা লোজিকেল ইশুশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা গেম অদুদগী লৌথোকখিবনি। আই ও এগী সেক্রেটরী মেহতানা ফোঙদোকখিবদা এসেসিএসন অসিনা সি জি এফতা ইন্দিয়ানা অফবা ঙম্বা শুটিং দিসিপ্লিন অসি অমুক য়াওহন্নবগী মতাংদা তকশিনগদৌরি।

# নুপাগী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী অমসুং সৌরব শান্নরগনি, নুপীগীদা সাইনা লৈহৌরে সিন্ধুদি মায়পাক্লি






হোং কোং, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী):

হোং কোংনা য়ুম্বু ওইদুনা সিটি অদুগী হোং কোং কোলিসিয়মদা ঙসিদগী হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ৪০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী কিদম্বী শ্রিকান্ত অমসুং সৌরব বর্ম্মা লম্বা তৌনরগনি। নুপীগীদা সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে, পি ভি সিন্ধুদি অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় জপানগী কেন্তো মোমোতা ৱিদ্রো তৌখিবদগী অনীশুবা রাউন্দ ৱাক ওভরদা চঙখি। মহাক্লা রাউন্দ অদুদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু অহানবা রাউন্দ মায়পাকখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সৌরব বর্ম্মনি। সৌরব বর্ম্মনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ফ্রান্সকী ব্রাইস লেবরদেজগা লম্বা তৌনবদা ইৱা ৱাদনা ২১-১১, ২১-১৫দা থোইবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী অমসুং অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্লি। কে প্রনোয়না মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী হুৱাং য়ুজিয়াংবু ২১-১৭, ২১-১৭তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন ক্রিষ্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পরুপলি কশ্যপনা অহানবা রাউন্দদা জপানগী কেন্তা নিসিমোতোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১-১৮, ১৬-২১, ২১-১০দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগা লম্বা তৌনরগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় বি সাই প্রনিথ অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী সি য়কিগী মখুত্তা ২১-১১, ১৯-২১, ১২-২১দা মায়থীহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী কাই য়ানয়ানগী মখুত্তা ১৩-২১, ২০-২২দা মায়থীহৌখি। অমরোমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি সি সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা উনবু মহাক্লা ২১-১৫, ২১-১৬তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী বি ওমবাঙরুংফানগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানরিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথি ২১-১৭, ১৬-২১, ১৭-২১দা অনীশুবা রাউন্দ মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। মিক্স দবলসতা এস রানকিরেদ্দি অমসুং অশ্বিনি পোনাপা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্লি।

# সর্বিয়াগী শান্নরোয় নোবাক জোকোবিস মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে





লন্দন, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী):

লন্দনগী ও টু এরেনাদা শান্নরিবা ৫০ রকশুবা সিঙ্গলসকী অমসুং ৪৫রক শুবা দবলসকী এ টি পি টুর ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা মমাংদা ৱর্ল্ডনম্বর ১ ওইরম্লবা সার্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসপু মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় দোমিনিক থিয়মন সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা বিয়োন বোর্গ গ্রুপকী অনীশুবা সিঙ্গলস মেচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ৫ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা শান্নরোয় অনীমক্লা পাঙ্গল মান্নসা শান্নবা ঙমখি। অমনা অমবু লাকশিনবা ঙমখিদে। গেম ১২ লোয়শিল্লকপা ফাওবদা নাকল শান্নরোয় অনীনা গেম ৬-৬ থোইনখিবদগী টাইব্রেক শান্নখি।

টাইব্রেক অদুদা জোকোবিসনা য়াম্না লেং মান্ননা শান্নরম্লগা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা অহানবা সেট অদু জোকোবিসনা থোইদুনা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেটতা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা ৱর্ল্ডনম্বর থ্রি স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররবু ৭-৫, ৭-৫দা থোইরম্লবনি। ঙরাংগী অনীশুবা সেট অদুদা দোমিনিক থিয়মগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। মহাক্লা জোকোবিসকী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা খুদোংচাবা লৌদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা অহুমশুবা সেট শান্নরকখি।

অহুমশুবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীমক মখোয় মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা লম্বা তৌনরকখি। লাকশিন্নবা ঙম্লখিদবদগী গেম ৬-৬ মান্নদুনা টাইব্রেক শান্নখি। মদুদা দোমিনিক থিয়মনা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিদা অনীশুবা সেমীফাইনেল অদু ফেদদর অমসুং জোকোবিস অনীগী অথোইবা অদুনা ওইগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাংলুপ্তা ৫শুবা রেঙ্ক সাউথ অফ্রিকাগী রাবেন ক্লাসেন অমসুং ন্যু জিলেন্দগী মাইকেল ভেনসকী পেয়র সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মখোয় অনীনা জোনাস বিয়োর্কমেন গ্রুপকী অনীশুবা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর টু পেয়র ওইরিবা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগী পেয়রবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা মেচ অনী শান্নবদা অনীমক মায়পাক্তুনা অহানবা পেয়র ওইনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না অহানবা মেচতা য়ু এস এগী রাজিব রাম অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসব্যুরিবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইরম্বনি। মেক্স মির্নি গ্রুপতা মেচ অনী মায়পাকপা ঙম্বা পেয়র য়াওদ্রিবা মরম্না সেমীফাইনেল য়ৌবগী তাঞ্জা ৱাৎলি।

# ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অফগানিস্তানগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরক্কদৌরি



দুসানবে, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী):

ৱর্ল্ড কপ ২০২২ কটার অমসুং এ এফ সি এসিয়া কপ ২০২৩গী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা হয়েং ইন্দিয়ানা অফগানিস্তাগা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ক্বালিফায়র অসিগী সেকেন্দ রাউন্দদা অহানবা মেচ অদু ওমানগী মখুৎপা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখি। মদুগী মতুং অনীশুবা মেচতা এসিয়ন চেম্পিয়ন ওইরিবা ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা কটারগা শান্নখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না খুদোংবা অমা মাংজখিবা অদু য়ুমলোন্নবা লৈবাক বংলাদেশকা শান্নবদা মায় পাকপা ঙমহৌদনা ১-১দা দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ২খক লৈরগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

গ্রুপ 'ই'দা ইন্দিয়াগী টিম অসি ৪শুবা পোজিসনদা লৈরি। হয়েং লম্বা তৌনগদৌরিবা অফগানিস্তানগী টিম অসিনা মেচ ৩ শান্নরকপদা অমা থোইরগা অনী মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা ইন্দিয়াদগী থাক অমা হায়গৎলগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ফিফাগী রেঙ্কিং য়েংনরুরবদি ইন্দিয়াগী টিম অসি ১০৬ শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। অমরোমদা অফগানিস্তানগী টিমনা ১৪৯ শুবা থাক্তা লৈরি।

হয়েং শান্নগদবা মফম অসি টাজিকিস্তানগী দুসানবে সিটিদনি। আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা অকোইবগী টেম্পরেচর য়াম্না ঈংবা তাঞ্জাদা শান্নগদৌরি। হায়রিবা অঙীংবগী কন্দিসনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিনা করম্না এজষ্ট তৌগদগে হায়বদুদা অৱাবা অমা ওইরি।

ইন্দিয়াগী কোস আইগোর ষ্টিমেগনা ফোঙদোরকপদা অফগানিস্তাননা মফম অদু অতোপ্পা টিমগা শান্নবদা মখোয়গী ওইনা খুদোংচাবা হেন্না লৈনবগী ফিভমদা আর্টিফিসল টর্ফ অদু শেম্বনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী এথলেট যোগেস কথুনিয়ানা টোকিও ২০২০ পেরালিম্পিক্সকী দিস্কস থ্রো ইভেন্টকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে




দুবাই, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী):

দুবাইদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং ইন্দিয়াগী পেরা এথলিট যোগেস কথুনিয়ানা নুপাগী এফ ৫৬ কাংলুপকী দিস্কস থ্রোদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা টোকিও পেরালিম্পক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

মহাক্লা দিস্কস থ্রো ইভেন্ট অদুদা মিটর ৪২.৫১দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ব্রাজিলগী ক্লোদিনি বাটিস্তা দোস সন্তোসনা মিটর ৪৫.৯২ লংলগা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা ইরানগী অলি মহমদয়ারিনা মিটর ৪৩.৫১দা সিলভর লৌখি।

ইন্দিয়াগী চহী ২৩দা ঙাইরিবা কথুনিয়ানা এফ ৫৬কী দিস্কস থ্রো ইভেন্ট অদুগী ফাইনেলদা অহানবা থ্রো ৩ দিসক্বালিফই ওইখি। অদুবু অরোইবা অমসুং ৬শুবা থ্রো অদুদা মিটর ৪২.৫১ লংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

যোগেস কথুনিয়ানা দিস্কস থ্রোদা পেরালিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং পুন্না ইন্দিয়াগী পেরা এথলিট ৭ টোকিও পেরালেম্পিক্স ২০২০দা শরুক য়ারগনি।

দুবাই ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী টি ৬৪ হায় জম্পর ওইখিবা প্রবিন কুমারনা মিটর ১.৯২ চোংদুনা ৪শুবা পোজিসন ফংলগা মহাকসু টোকিও পেরালিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

পনবা য়াবদি, ইন্টর্নেসনল পেরা লিম্পিক্স কম্মিতিগী চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না ৱর্ল্ড পেরা এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী ইনিদভিজ্যুল ইভেন্টতা ৪ শুবা পোজিসন ফাওবা পেরালিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড পেরা এথলেক্টিক্স চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী পেরা এথলিটশিংনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড মেদল ২, সিলভর মেদল ১ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ২ ফংবা ঙম্লি।